ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ১৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৯১শুবা মশীং

## ৱাৎত-পাদবা

### ফজখ্রবা ফীভমসি ওইহল্লকপা ঙমগদ্রা

হৌখিবা জন্যুৱারী ১৪, ২০২২ ৱাকচীংগী ১২নি পানবা ইরাই নুমিৎতা ইমোইনুগী ঈরাৎ-থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে। নুমিৎসিগী থৌরমসি হায়রিবা নুমিৎসি খক্তদা পাঙথোকখিবা নত্তে। চহী খুদিংগী ওইনা মহৌশাদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা য়েলহৌ থৌরমশিংগী মনুংদা অমনি। মীতৈ ফুরুপনা মরু ওইনা পাঙথোক্লরক্লিবা নাৎকী ওইবা থৌরমনি। অদুগা থৌরমসিদা হি-য়াই অমসুং লনগী লাইরেম্বীনি হায়রিবা ইমা নৎত্রগা ইবেন্থৌ ইমোইনুদা ঙমজবা হৈ-রা, মনা-মশিং অমসুং ঙা-চাক কৎতুনা খুরুম্লগা পীনবিরম্মু হায়দুনা থৌনিনখ্রিবশিংনা 'ৱাৎত-পাদবা' পীনবীয়ু হায়বসিনি। ৱাৎত-পাদবা হায়বসিনা কোনশিল্লিবনা নোংমগী হিংবদা চঙলিবা পোৎলমশিংনি। হায়রিবা পোৎলমশিংদু অৱাৎপসু লৈহনবীনু, হেন্দোক থোইদোক্লা পাথোকপমখৈ পাথোক্লসু পীবিগনু হায়বনি। মথৌ তাবা অমসুং চংগদবা অদুতা পীবিয়ু, ৱাৎহনবীগনু হায়বনি। অহেনবা পাথোকপদি পীবিগনু হায়বনি। হায়বদি ৱাহৈ অনীসি তেল্লবসু ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রবা অমসুং ফজখ্রবা ৱাহৈনি। ইশাগী ওইবা কানবগীদমক খুরুমজদুনা নিরবসু অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক নিবনি। হেন্দুনা পাথোকপগী ফীভমদদি নিদবনি। মরম অসিনা শিদ্রিবা ফাওবা চাদবা-থক্তবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংবু হিকু-লনকুবিবা ঙম্বা, চাকহোঙ-ঙাহোঙহনবা ঙম্বী ইমোইনুদা নিজবদা ফাওবা মথৌ তাবদুদং নিবনি, অহেনবা নিদবনি। অদুবু ফজখ্রবা ৱাফমসি মীতৈ/মৈতৈ খক্তা নত্তনা লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌ ফুরুপ অতৈগী মীওইশিংনসু নুমিৎসিগী থৌরমসি পাঙথোক্লখিবা য়াওবনা মখোয়দসু মসিগী ৱাখল্লোন অসি চেল্লি হায়দুনা লৌবা য়াই। পুনশিন্না য়েংলগনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা ফজখ্রবা অমসুং থাক ৱাংলবা ৱাখল্লোন চেল্লি হায়দুনা লৌবা ফাওবা য়াই।

অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি ৱাৎত-পাদবা পীনবিয়ু হায়দুনা থৌনিরে হায়দুনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং অদু ইমোইনুনা শয়ং ওইনা চোংথোরক্লগা মখূৎ তিংথোক্তুনা হেক্তা পীরক্কদবা নত্তে। মঙোন্দা কৎলিবা পোৎলম পূম্নমক্তু চহী খুদিংগী কৎচবা ঙম্নবা ৱাৎত-পাদবা ওইহনবীয়ু। হায়বদি ইমোইনুগী মমাঙদা থেন্দুনা কৎলিবা অথেনপোৎশিংদু মঙোন্দা কৎচদুনা থৌনিজরগা কৎলিবা মীওইশিংনা ফংজগদবনা ৱাৎতবা ওইহনবীয়ু হায়বনি। মসি ওইরগদি এঞ্জাং-নাপি, মনা-মশিংদগী হৌরগা ঙা-চাক ফাওবদা লৈরিবা পোৎলমশিং অসি লমদমসিদা লৈরিবা মীয়ামদা ৱাৎতবা, পাদবা ফীভমদা লৈহনবীনবা মরাং কায়না ঐখোয় ইশানা ঐখোয়গী ইরমদমদা পুথোকচবা, পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। থবকসি মীওই খুজোক খরগী নৎত্রগা লৌমী-শিন্মীশিং খক্তগী ওইনা ইন্থোকপসু চুপ্লোই। লমদমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা শরুক য়ামিন্নদুনা নোংমগী পুন্সিদা চঙলিবা পোৎলম পূম্নমক মণিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাইদনা, ঐখোয় ইশা-ইশানা ইশাগীদমক পুথোকচনবা হোৎনগদবনি। নৎত্রবদি খূৎতি য়াওদনা চিন্দা লাইশোনবা খক্তনা লাই নীংবা নত্তে হায়বা ৱাফমদুদা তারক্কনি। ঐখোয় ইশানা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং ফাওবা কোন্নবা পুথোকচবা ঙমদ্রগা ইমোইনু নম্বো পোরগা ইমুংদা পুশিল্লক্তুনা থম্বনা য়ারোই। মরু ওইনা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদনবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎকদবনি। মরম অসিনা মসিগীদমক তঙাইফদনা চঙলিবা লম, এঞ্জাং-নাপি, মনা-মশিংগী মরূ মরাংশিং, ঙা-চাক্কী চাথোক-ফৌথোক হেঙ্গৎহন্নবা মচাকশিং মরাং কায়না লৈহনগদবনি। মথৌ তাবা ঈশিং, লৈবাক লৈহাওগা চুনবা হার, লায়না-তিলনাদগী ঙাকথোক্লনবা পাম্বৈশিং মথৌ তাই। থবকসিদি মীয়ামগী লৈঙাক্কী পৱার পায়রিবা অঙম্বা লুচিংবশিংনা তৌরগে হায়বা'মা য়াওনা থৱায় য়াওনা তৌথোরক্কদবা থবকশিংনি। লমদমসিবু অমসুং লমদমসিগী মীয়াম্বু চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবদি হোৎনদবা অদুগা অসিগুম্বা থৌরমশিং লাকপদনা য়াইফ-পাউজেল পীবগী থৌওংখক্তনা ইমোইনুনা ফাওবা পেনবীগদবা মান্দে। মীয়াম্নসু মতেং পাংশিল্লগা লৈঙাক্লা খূৎশম্নদুনা মায়পুনদুনা থোং মান্ননা হোৎনমিন্নগদবনি। মসিদি তৌদনা মীয়ামগী লৈঙাক্লোন খূৎপায়নরগা সেন্টরদগী থাদরকপা শেনফমগা মণিপুরদগী মমিংতগী ওইনা ফংবা ইনকম খরগনা কোন্ন-কোন্নবা তৌফম থোকপা খরখক শিন-লাংদুনা তৌবীগনি। কোন্নরে ফরে, কোন্নদ্রে ফরে নরাইবক্কিনি হায়দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা মীহুৎকী ৱাহন্থোক খঙদনা থবক তৌরক্লিবা মখৈদি শিন্থোং খঙদবা, নুংশিৎ মাইরম লশিং কাপ্পা, শগোল মমাং পুঞ্জাও পুবগী ফীভমদা অদুম্মক লৈখিগনি। চারি, থক্লি, হিংলি  হায়দুনা শুম লৈরম্বদগী অৱাৎপা-অহোবশিং নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্কনি। মতমদুদদি ইমোইনু লিশীংমুক নুংতিগী ঈরাৎ-থৌনি তৌরবসু য়ারোই। ফজ-ফজবা য়াইফ-পাউজেল মীকূপ খুদিংমক্কী পীরবসু কান্নরোই। অরেং-অরেং পুখরক্কনি। মণিপুরগী মীয়াম ঙক য়ৌনা পুখরম্বদগী পুমলুপ লুপশিনখিদুনা পুল্লপ মাঙখিগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪

১) *"দেবম"* হায়বা অঙাংগী নোভেল অসি ওরিজিনেল করি লোলদা কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
২) **"শোক্লবা থম্মোয়গী খোল্লাউ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **"নুংশি ৱারী"** হায়বা নোভেল অসি কনানা ইবনো?
৪) *"চোলোম পরেং"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) ***"তাইবঙ নমু পোংওইবশিংনা কোরৌ নোংজা খুদিংবু, পূক্লিং ৱারৈচল পায়মা হকশোল লাংনা অৱাবা ৱাখল্লবা পামেন উফাল অকায়বদা ফম্না তরা খূৎপুন হুক্লবা। নুমিদাং ইনুং য়াচঙবদা মিৎয়েং নাওসুমলবা। মোমনু নুজা মথোক কারকপীবু পানগন খূৎঙমথীনা, হৈরাং শংনা চারবা। নমু মীরমচৎ অসিগুম্বশিংদি। শীঙেল নাৱোইদোংনা; পমেন উমং ঙান্না শাৎলিদি হায়ববু; লৈরাং লৈমন য়াওদবনা, শীংলেল মাবু লৈথানদবা অদুগুম্বনে।"***
ৱারেং মতেক অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা  খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অমাজোনননা মণিপুরগী মার্কেট লাঙ্গোই চল্লকপা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**

মণিপুরগী অপূনবা মীশিং লাখ কুন্থ্রামুক অসিগী মনুংদা মহৈ মশীন হৈরবা মীওই লাখ নিপানগী মথক্তা থবক ফংদনা লৈরে হায়বসিমদি চুম্লবা ৱাফমনি। এমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জগী রেকোর্দ মতুংইন্নদি লাখ নিপান য়ৌদ্রগসু মীং চন্দনা লৈরিবা ময়াম অসিগী খল্লগা হায়জবনি। মহৈদি তমশিল্লুরগা থবক ফংবগী ৱা লৈতে খনবদগী মিং চনবা তন্দুনা চন্দবা মীওই লিশীং লিশীংগী মথক্তা লৈরি। ঐগী ইচা অহুম ফাওবদা কান্নবপোৎ নত্তে ইচাশা চল্লনু হয়েং দরকার ওইরক্লগা মিং খুদক্তা চনবা য়াবদুবু মতম মাঙনবনি হায়দুনা কয়া থওই ৱাওইহন্দনা লৈহল্লি। অসুক য়াম্বা মীয়াম্বু লৈঙাক্কী থবক ফংবা হায়বসিদি ওইদ্রা ৱানি। অসুক য়াম্না লৈরবা অসিগী মথক্তা বোর্দনা, কাউন্সিলনা, য়ুনিভর্সিটিনা পরিক্ষা পাঙথোক্তুনা চহী খুদিংগী লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইরগা অমুক থাদোরক্লিবনি। অসিগুম্বা হৌরক্লিবা নহাশিংগী তুংগী লম্বী য়েংলুরগা ৱাদবা ঙমদে।

করিনো মখোয়না তৌগদবা অসি। মরক মরক্তা ওজা খরা, নর্স খরা, ডাক্তর খরা, পুলিস, আই আর বি খরা চোন্নপ চোন্নপ লৌরিবনি হায়না তৌরিবা অসিসু লুপা লাখ ১০দগী হৌরগা লাখ য়াঙ্খৈ/হুম্ফু পীদ্রবদি থবক খনবগী ৱাদি শুকলৈ লৈত্রে। ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন, এস এস বি, য়ু পি এস সীগুম্বগী কম্পিটিটিভ এগজাম থারগা খল্লকপদি শুপ্নতগী মরাইবক ফবা তরা কুনখক্কী ৱানি। মখোয় নত্তবা পরিক্ষা থারুবা কাঙবুদি নীংবা কায়না অদুম্মক লৈহৌই। মণিপুর লৈঙাক্লসু মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী পরিক্ষাসু পাঙথোকপা ঙমদনা নমশিন দুনা থন্বীরি। পরিক্ষা থাজগে খন্দুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনজবা  ফাওবদি এজ বারগী চৈখৈ লানগদবগী ঙাইদুনা লৈনরে। লানখিবসু কোঙ্গাইনি। মখোয়না ৱানা হোৎনজদুনা তাঞ্জরুবা দিপ্লোমা, দিগ্রী, মাষ্টরস, পি ঐচ দি, ডোক্টরেটকী সর্টিফিকেট ময়ামদু শীংজু বোরা য়োনবীগী হোটেলদা বোরা, কংঙৌ য়োম্নবা শীন্নথোকখিগদবা মঙায়রে নৎত্রগা ঙারি, ফাবৌ য়োম্বগী কানগদবা মঙায়রে। য়াম্না শাথীনা নীংবা কায়নীংঙাইনি। ইন্দিয়া, মণিপুরগী লাইরিক মতম্বী অসি পুরা পুরি শোয়রে। শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অসিনসু ওইরমগনি, ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি। মহৈ তম্না তম্না শিনফম অমা য়াওনা হৈহল্লগদি মা মানা হৈনজবা ত্রেদ অদুদা চঙখ্রগা মহৈ তম্বা লোইরকপা মতমদা মশা শেল থোকচনবা হিংবা ঙম্নবা মতেং অমদি শোয়দনা ওইনরগনি । মোদিদিগী ষ্টার্ট অপনচিংবা করি করিনো ময়াম অমা ইমপ্লিমেন্ট তৌরক্লিবা অসিসু পূক্লিং থৌগৎপীবা চুম্মী।

খ্বাইদগী লাইবক ফবা হায়গদ্রা থীবা হায়গদ্রা লোন পীথরগে এগ্রিকলচর, পিসিকলচর, হোর্টিকলচর... কলচর-কলচর কয়া এপ্লাই তৌরকউ। য়েন লোয়য়ু, ঙানু লোয়য়ু, ওক লোয়য়ু হায়রকপদা মায় পাক্লক্কদবা লোনি মশীং কয়ানো! লম, ইঙ্খোল লৈজবা, ঙায়োক ফার্ম লৈজদবশিংগী মফমদদি অসুক্কী মতিক নীংবা কায়নীংঙাইনি। লৌ, ইঙ্খোল, পু-খ্র-পাৎয়াগী ফার্ম লৈজবা খরতনি নুংঙাইরিবা। মরু ওইনা ইম্ফাল ময়োল অমদি মসিগী অকোয়বদা য়াম্না কঞ্জেষ্টেদ ওইনা লৈরিবা শাইজিনগা শাইজিনগা তাইননা য়ুমশিং, য়াম-খৎলক্লিবা মীয়াম মচা-মশুশিংগী য়ুম, কা অমুক্তং য়েংবীয়ু। পুরা সিঙ্গাপোরদগা লৈনবা কাগী মওংনি। শুপ্নতগী কা অমদা ফোল্ডিং বেদ, ফোল্ডিং সোফা, ফোল্ডিং লেত্রিন, ফোল্ডিং কিটচন - শুপ্নতগী কা অমদা তূম্ফমসু ওইবা, মী লাক্লগা ফম্ফম অমুক ওন্থোকপা, ফমুং-সোফা লোইনা থুপচিনখ্রগা চাক এঞ্জাং অমুক থোংগৎলকপদো মদুগী ষ্টাইলদা হিংনরিঙৈগী তাল্লক্তা মফম কদাইদা ওক লোয়রুদোইবা, য়েন লোয়রুদোইবা, ওইদ্রবা ৱানি। মীশিংদি নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলকই। লমদি রবরগুম চিংথোক চিংশিন য়াদে। পাকথোক চাউথোরকউ হায়বসু য়াদে। মসিনি থবক তৌবা য়াবা মফম শুক্লৈ লৈতবনি। পান দুকান মচা অমফাও হাংফম লৈতবা মফমদা পোকপা মীগী হিংফম, মথৌ তৌফম কদায়দনো? পূক্লিং য়াম্না নুংশিনীংঙাই ওইরি।

অদুবু হন্দক মরক অসিদি মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙমদ্রবা শেলসু লৈতবা, তৌফমসু লৈতবা নহাশিং, কম্পনিগী মখাদা থবক তৌদুনা থবক য়াম্না চিনবগী মওং উবা ফংলক্লি। নোংঙানবদগীনা নুমিৎ তাখ্রবসু লৈকায় লৈকায়গী খুন খুনগী য়ুমথোঙ অয়াম্বদা পোৎ চৈ থিন্দোক-থিনজিন গাড়ী মচা, অচৌবদা লাকপা থেংনৈ। ঙাইহাক থোঙ্গালদা লেপ্পুববু ময়োম ময়োম হাপ্লগা থৌরকপা গাড়ী মচা অদু থৌজিল্লক্তুনা হংলৈ  "জেমসকী, দাইনাগী, ওলিভিয়াগী, য়াইফবীগী... য়ুমসিবু কদোমদনো পাবুং!" ঐনা অখঙবা খরা খূৎ থিন্দুনা তাকই। অদুবু খঙদবনা অয়াম্বনি। য়ুমথংনবা নৎত্রগা মনীং মমাঙ খা-ৱাংদা লৈবা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী মমিং খঙদবা অয়াম্বা ওইরে। য়ুমথংনবদা লৈবা ঐনা য়াইথোইবা কৌবা অঙাং অদু ওনলাইনগী পোৎ চেনবগী মমিংদা বেখাম কৌই হায়না ইরম্বদা ইঙক ঙক্লুই, অসিগুম্বা মক্তনি। অসুম্না হোম দেলিভরি তৌবা লাকপা, গোদাউনদা থবক তৌবা, সোর্টর ওইবা, সুপরভাইজর ওইবা, মখল মখলগী কম্পেনিগী মখাদা থবক তৌবা নহা কয়া থোরক্লিবসি মোদি লৈঙাক্লা, বিরেন লৈঙাক্লা থবক পীবা ঙমদ্রবসু নহা কয়া অমা থবক ফংজরে হায়না লৌবা য়াই।

লুরিবদি অঙাংশিং, নহাশিং অসিনা তৌরিবা থবক অসি অচৌবা থবক্তি নত্তে। মষ্টররোল টাইপনি, থবক চৎলগা খূৎশুমল ফংবা, চৎত্রগনা তোকপা। সর্ভিস সিক্যুরিটি লৈবা নত্তে। কম্পনিগা য়ানদবা নুমিৎতা থবক্কী ৱাসিদি থবৎ হেক্তা থদৎপীনি। অদুনবু লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌবা পাম্নরিবগী ৱানি। কম্পনিগী থবক মচা অমনা শেল পায়বগী ৱাদি লৈত্রে। হিংনবা হোৎনবা হায়বদুনি। হৌজিক শাথীরিবা অমনা অমাজোন, মিনত্রা, ৱালমার্ট হোয়না ঈ-কম্মর্সতা মালেম পূম্বা শন্দোরক্তুনা শুপ্লায় পায়শিল্লকপা অসিনি। ময়াম অসিগী মনুংদা চাইনাদগী হৌরকপা 'আলিবাবা' মমিং শেগাক কায়না চৎলি। করি হায়গদবনো খঙদে হায়রিবা কম্পনি ময়াম অসিনা লল্লোন ইতিক্কী লম্বীদা শোক্তবা মফম অমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। ফেসন এন্দ দিজাইন - খোঙউপ, ফি-রোল, অকে অমৌগী পোৎলমশিং মিনত্রানা দিস্কাউন্ট তৌরগা মমিং লৈবা ভেন হ্যুসেন, পিটর ইংলেন্দ, ল্যুই ফিলিপস, হেরিটেজ - খোঙউপ্তুনা নাইকি, এদ্দিদাস, প্যুমা, রিবোক অদুগা খ্বাইদগী হেন্না তাঙবা ন্যু বেলেন্সসু দিস্কাউন্ট তৌরগা য়ুম তান্না থিনবীরক্লি। পোৎ লৈবা চৎপগী মতম মাঙদ্রে, গাড়ী থাওসু তিংহন্দ্রে। ঐগী ইচাশিংদি শীংজমৈ সুপর মার্কেটতা, পাউনা কৈথেলদা চৎলগা পোৎ লৈবা শুকচৎ চৎত্রে। ওনলাইন্দা ওইনা চেন্নরে। কনাগী লাইরিক্তগী, অনাবগী হীদাক লাংথক্তগী, এসেম্বল তৌবা য়াবা সোফা, উপু, কাংথোল, থোঙ, থোঙনাও, চাকখুমগী পোৎলমশিং লোইনা ওনলাইনদা চেনবদা ফংদবা অমত্তা লৈত্রে।

শোমদনা অমুক কমদৌবা। ফি-রোল, খোঙউপ, অকে অমৌগী পোৎ য়োন্দুনা দুকান ফমজবশিং পোৎ অমত্তা শিৎনদ্রে। মণিপুরগী মার্কেট পূম্বা অমাজোননা তপ্না তপ্না লাকশিল্লক্লি। পূম্নমক অসি উরুরগা ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী তুংগী লম্বী মমি শাম্লক্লে। মরিপুরদা ত্রেন য়ৌরক্লবা মতমদুদসু শেল পায়বা অচৌ অচৌবা কম্পনিশিং পুময়োৎ য়োৎশিনখ্রদ্রা পাখৎলকই। ঐখোয়গী মহৈ হৈরবা অঙাংশিংগী তুংগী লম্বী য়েংলুবদা নঙ্গলদা স্কুল বেগ পোদুনা মহৈ তম্বা চৎলম্বা আলু বোরা, তীলহৌ বোরা পোরগা চৎপগী মতম অদু লাক্কদ্রা পাখৎলকই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

লাইনীং লাইশোন অমগী চৎনবীদা ঙাক্লা চৎকে হায়রবদি য়ামদ্রবদা লাইনীংদুদা মথৌ তাবা খরগী মরমদদি খঙনবা হান্না অখঙ অহৈ খরদা হংলগা খঙজিনবা চুমগদ্রা হায়বসিনি। মরমদি মশানা  শুকখঙ খঙদ্রবদি অখঙবনি হায়বদুনা হায়রবনি হায়দনা সিতৌ হায়বদুমখৈ তৌরবদি অশেংবা মওংদু খঙবা শুকঙম ঙম্লরোই। নোংমদুগী থোকপা অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ইতিং তিংনা লৈথোকপা কয়ানি। অদুগুম্বা মীশক্তু অমুকসু শেলদি পায়বা, ফজবসু পাম্বা ওইরবদি শিনবিরিবশিংগী মতোননি। ফজনবা তৌবীয়ু হায়বদুদা তঙাইফদবা মথৌ তাবদগী কা হেনজিন্না তৌশিনবসু য়াওদবা নত্তে। মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনরকপদা লাই য়াওনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মীওই কাঙবু অহুম চঙই। মখোয়শিং অদুদি অমাইবা, অশৈবা, য়োইরেননি। য়োইরেননা লাইগী লৈতেং ফিজেৎ, লাথা হৈথা, লাথুপ শাথেক লৈহুন, লাইদা থেৎনবা পোৎলম শেম শাবা শিনবা লাংবা তৌগনি। অমাইবনা লাইমিং তিলমিং শোনগনি। অশৈবনা লাইগী মতিক মথৌনা মিংখৈ লাইশোন শকপা শোনবা তেংথাবনচিংবা তৌগনি। য়োইরেন্না হৈথা লৈথা লাথুপ লাথোক শেম শাদুনা অমাইবনা লাইশোন লাইগী মিংখৈ কৎলিবা মী অদুগী য়েক সলাই য়াওনা শোল্লগা কৎকনি। (সরাংথেম বরমনি সিংহগী মৈতৈগী লাইনীং লাইশোল-চেমায় ২০-২১)।

অরাইবা লোলদা, লাই লাৎপা থৌরম অমা পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশকপু অরাংফম হায়না খঙনবসিনা লাইগী তিনশোন লাইশোন তৌরিববুনা শিলহৈরোম্বা/বামোন অমদি মপুগী মিঙ্খৈ শক শোল্লিবা মরু ওইবদি  থৌরমদু য়াওবা লাকপা/লাকপীশিংবু ঙাইরিঙৈদা পুংজা খরা য়ৈবা-খিংবা তৌদুনা মপুগী শৈথারোল শক শোল্লিবা অনীগী মতাং, মতাংগী ওইবা থৌরমগী কাঙলোনশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবনি। থৌরমদু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা য়ূম্বু/থৌরম মপুগী মহুৎ শিল্লিবনি হায়না লৌনরিবনি। অদুবু শিললৈলেম্বা/বামোনগা অরাংফম ফল্লিবশিংগা খরা হেন্না নকশিন্নবা থৌদাং লৈ। মরমদি মরু ওইরিবা থৌওংদি লাইগী থৌরম তঙাইফদনা পাঙথোকপনি।

অইবা ইশা অপোকপলোনশুবা (পাঞ্জি) ওইবগা লোয়ননা ঈনাৎ লাইনীংগী ঈরাৎ ঈশোন মখল অয়াম্বা তৌজৈ/হৈজবদি নৎচদে। ঐগী ইচানুপীগী নুপা ময়ূমদা মচিন মনাও ওইবী মচেদুগী মপামগা টিদ্দিম লম্বীগী নোংপোক নোংচুপ ওইনা লৈবা মরম্না ঐখোয় অহল মশেলসু য়াম্না নক্লা লোয়নৈ। হীরম অয়াম্বদা তাথোক তাশিন তৌনৈ। লাইবক থীবদগী ইচানুপীগী নুপা ময়ূমগী মচেগী অপোকপনা হান্না লৈখিদ্রবা মতুং থা ২ রোমগী মনুংদা অপোকপী অমুক লৈখিদে। লৈখিদবা থৌদোক অনীক্তা মচানুপী ঙাক্তা ওইবনা লাই তীলগী ওইবা চেকশিন ৱা তানফমসি অইবগা ওই। তাদা লৈখিদবগী পোৎলোইবা নুমিৎতগীনা তরানিথোইশুবা লাইরিক তৌবা অমসুং য়ূমশেংবা নুমিৎ ফাওবা অইবা ইশা লোয়নমক য়াওখি। তাদগী শোরাৎতুদি শাগৈগী মী অমা লৈখিদবগী পাউ অরাপ্পদগী পীরকপদগী য়াওবা য়াদদনা য়াওখিদে। লৈখিদবা নুমিৎতুগী পুংফমদি অয়ূক্কী পুং ৭কী মতুংদা ওইবনা ইচানুপী অহল (তাদগী মচানুপী) না ককা - ঐখোয়গী বাবা ঙসি লৈতবগী শোনবিনবা বামোন অমত্তা ককানা শিনবীয়ু হায়না ফোন তৌরকপদগী ঐখোয়গী মনাক অদুৱাইদগী বামোন ইবুংঙো অমদা হায়রগা হান্না চৎহনখি। অদুগা ঐনা ফিরোল হোংদোক্লগা পোৎলোইবা য়াওবা চৎলি। মরক্তা অরাংফম্না মখোয়গী ইমাসু শোন্দুনা নারগা লৈবনা লৈখিদবা নুমিৎতুদা অফ-ফত্ত অমদি ঙা ঈশিং তাবনচিংবা য়েংথোকউ হায়রকই হায়দুনা তাদগা ইতৈমগা মখোয় অনীগী অপোক অশাৎ (কোষ্টি) শিং লৈখিদবা তাদগী মচানুপী অহলনা পুরগা লাকই। য়েংবদা ঙা-ঈশিংদি তানদে অদুবু পাংদবা খরা লৈরম্বদগী ঙাক্লৌ (প্রতিকার) তৌথোক্লবা হায়বদগী লোইনমক মচানুপীশিংনা তৌথোকখি।

হান্নদগী নারকপদু থা খরগী মমাঙদগী ফমুংদগী হৌগৎ কাংখৎপা, মশানা চাক চাবা, ঈশিং থকপা  ঙমদনা লৈরকপদগী ইতৈমগী অনাবগী ফীভম শোকচিল্লকখি। তাদা লৈ-খদবা থা অনীরোমগী মনুংদা ইতৈমা অমুক লৈখিদবগী পাউ অইবনা ৱাকিং চৎলুবদগী অয়ূক্কী পুং ৫.৪৫ রোম তাবদা য়ূমদা হল্লকপদা ঙাইরিঙৈদা ফোন তৌরকই। ইতৈমদি করম্বা মতম/পুংফমদা লৈতবনো? ককা নোংঙাল্লমদাই পুং ৪.৩০ অদুৱাইদনি হায়রকি-খ। ককানা শিনবিরগা ববা লৈখিদবদা তৌখিবা অদুম হায়না শোন্নবা বামোন অমত্তা থাবীরকউ ককা হায়না ইচানুপী অহলদুনা ফোন তৌরকখি। ফরে ফরে ককাসু ৱাকিং চৎলুবদগী য়ূমদা হল্লকপদা ঙাইরি। ঐ নহানগী বামোন ইবুংঙোদু হংলুরগা থারক্লগে। ককাসু ফিরোল হোংদোক্লগা লাক্লগে। নুংঙাইজরে কবা।

বামোন ইবুংঙো পাবুংনা লাকইবসি নহান মমাঙ লৈকায়গী তাদা অমা লৈখিদবদা তৌ-খবা অদুম হায়না অমুক য়ূমদুদা তৌবীবা তারে, ইতৈমসু হৌখিবা অহিং নোংঙাল্লমদাইদা লৈত্রে হায়না ফোন তৌরকই। ইবুঙোনা হান্না লেংঙম্মো, পাবুংদি য়ূমগী ইচা ইমৌশিংদা পাউ পীরম্বগা লোয়ননা ৱাকিং চৎলুবগী ফিরোল হোংদোক্লম্লগা লাক্লগে। ঐনদি খজিক্তং কোল্লনি। হোয় পাবুং, ঐ হান্না চৎচরম্লগে হায়না বামোন ইবুংঙোদুনা খুম্লকই। য়ূমদা লাক্লগা ইচা ইমৌদা মমাঙ লৈকায়গী ইতৈমা লৈখিদবগী পাউদু হায়রম্বগা লোয়ননা ফি হোংলগা য়ূমদুদা থুংবদা বামোন ইবুংঙো, মাইবা অমদি পুঙ য়ৈবা মখোয় অহুম্না মথৌ তাবা পোৎ চৈশিং শেম শাবা হৌরমই। হান্না ময়াম লৈবিরম্মেদনা। ফরে ফরে অৱাৎ অপা করি করি লৈবিরি হায়না হংনরিঙৈদা ঐগী ইচানুপীগী নুপাময়ূমগী মতৈদুনা ইনাক্তা চঙশিল্লক্লগা মাম্মা ইমানা (মনেমবোক্লা) লৈখিদবদি তাং ২৮/১১/২০২১গী নোংঙাল্লমদাই পুং ৪.৩০ অদুৱাইদনি। ববা (মকুবোক) না লৈখিদবা নুমিৎতা মাম্মনা য়েংবিবদা ফত্তবা খরা য়াওরম্বদু তৌখিবদগী ফরে হায়না খনখিবা অদুম হায়না হন্দক ইমা (মনেমবোক) লৈতবসিদসু য়েংথোক্লবা খঙনীংবদগী বামোন্দা করি নুমিৎ লৌগদগে হায়বদা তাং ২৯/১১/২০২১ ইং নিংথৌকাবা নুমিৎ লৌগনি হায়রকপসি ঐখোয়দি য়ানীংদে। মাম্মনা বামোন্দা অমুক্তা অশেংবা লৈখিদবা নুমিৎতু তাকপীয়ু। নতৈমনা হায়রকপদগী মাম্মা লোইনা খঙলে। বামোন ইবুংঙোনা শোয়বদগী হায়খিবা ওইরমগনি। অশেংবা লৈখিদবা নুমিৎ লৌদনা লৈখিদবা নুমিৎ শেরান্না লৌবা য়াদে। ফত্তবা মরম ময়াম অমা লৈ। মাম্মনা ফনবা শিনগে। খঙদ্রগনা খঙনবা তাকপীরগা লোইরে। তাং ২৮/১১/২০২১গী অহিং মমৈ নোংঙান্দ্রিঙৈদা লৈখিদবনিনা নোংমাইজিং নুমিৎ ওইনা লৌগনি। তাল্লক্তুদা ঈশৈহনবা চহী খরা লৈশিল্লবদুসু লাকই। ●